কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুং অমদি লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং নংলবশিংদা সেনা এঠলেটিক ওর্গনাইজেসন অমদি সেনা য়ুথ ট্রষ্টনা শেলগী তেংবাঙ পীখিবা

বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি সনসম প্রেমচন্দ্র মৈতৈ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস বিষ্ণুপুরগা খুৎশম্নদুনা কুম্বী এ সীগী মনুং চনবদা লৈরিবা ফার্মরশিংদা চাথোক লৈবা ফৌদিশিং য়েন্থোকখিবা

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা সোইল হেল্থ মেনেজমেন্ট স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংদা প্লান্ট মাইক্রোন্যুট্রিএন্টশিং লেম্না য়েন্থোকপা হৌদুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগীসু য়েন্থোক্লবা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোইনা লমথাখিবা

141st Birth Anniversary of
June 27, 2021

রিলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন, মণিপুরনা শীন্দুনা হেলেন অদামস কেল্লরগী ১৪১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম টৈরা বজারদা পাঙথোক্লুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা

ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা ভেক্সিনেসনগী মনুং চন্না মণিপুর ফিল্ম ফ্রেটর্নিটি খক্তগী ওইবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অমা ঙসি পিশুম থোং ওইনাম লৈকায় লাইরেন্বী লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

ঐচ৩৬০ পিকচরনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকা খুৎশম্নরগা চথখিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু মণিপুর ফিল্মগী দিরেক্টর হেমন্ত খুমন অমদি মণিপুরী ফিল্মগী এক্ট্রেস বেলিন্দা ওইনাম অনীনা পুন্না শীন্দুনা চথখিবনি। ঙসি অয়ুক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চথখিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদুদা মণিপুর ফিল্মগা মরী লৈননা থবক তৌরিবা পুন্না মীওই ৯১না ভেক্সিন কাপখি হায়রি। লোয়ননা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদুদা ভেক্সিন কাপ্পা লাকখিবশিংনসু, মণিপুর ফিল্ম ফ্রেটর্নিটি খক্তগী ওইনা অসিগুম্বা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অমা শীল্লিবা অসিদা অপেনবা ফোঙদোক্লুরকখি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): জঙ্গল কট্টিং তৌগদবা মরম্না ১১ কে ভি খোংমন ফিদর অসি জুন ২৮গী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা ফিদর অসিগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এলগী কোংবা সব-দিভিজননা খঙহল্লক্লি।

ফৌদি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি সনসম প্রেমচন্দ্র মৈতৈ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস বিষ্ণুপুরগা খুৎশম্নদুনা কুম্বী এ সীগী মনুং চনবদা লৈরিবা ফার্মরশিংদা চাথোক মরাং কায়না পুথোক্কদবা আর সী এম ১২, আর সী এম ১৩ অমদি ৮৭৪৪ মখলগী ফৌদিশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না সলাংকোঞ্জিলদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদগী লাকখিবা লৌমীশিংদা ফৌদিশিং য়েন্থোকপগা মরী লৈননা এস প্রেমচন্দ্রনা হায়, চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা বি জে পিগী লৈরিবা থৌমীশিংনা পুন্না হোৎনদুনা লায়র-অনং লৌমী শিন্মী মীয়াম পুন্না থোং মান্ননা চৎমিন্নগদবনি অমদি লমদম অসি চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু তুং ইঞ্জরগা থবকশিং অসি পায়কৎচবনি। মখা তানা মথৌ তারকপা হার (য়ুরিয়া)শিংসু অহোংবা মমলদা লৌমী মীয়ামদা ফংহন্ননা হোৎনগনি হায়খি।

ঈশিং থাবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): লৌরোক পান্থাগী মতম য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা ঈশিংগী অৱাবনা খম থেংনরবা মীকুপ অসিদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সূর্য্যকুমার ওক্রমনা এ সী অসিগী লৌমী মীয়ামগী অৱাবদা খরদা ওইরবসু কোক্লবা হায়দুনা ঙসি সঙ্গাইয়ুম্ফম দামদগী ঈশিং থাদুনা সঙ্গাইয়ুম্ফম অমদি খাঙবোক খুল ফাওদুনা চৎলিবা সঙ্গাইয়ুম্ফম সাবল খুনৌ কেনেল অমদি থম্বাল অঙাংবী তুরেল অনীদা ঈশিং থাখ্রে। এম এল এনা অসিগুম্বা মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা সঙ্গাইয়ুম্ফম সাবল খুনৌ অমদি খাঙবোককী লৌমীশিংদা ঈশিং ফংহনবগীদমক মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সন মণিপুরনা শীন্দুনা হেলেন অদামস কেল্লরগী ১৪১শুবা মপোক কুমওন থৌরম সগোলবন্দ তেরা বজারদা পাঙথোকখ্রে। কোভিদ লায়না লাইচৎকী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেন্টর অসিগী মীদিয়া এদভাইজর নিমোল নিঙোম্বমনা লুচিংদুনা হেলেন অদামস কেলরগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি হায়রি।

নফসা অমসুং পি এম জি কে ৱাইগী চেঙ নীংথিনা ফংহন্ননবা মীৎয়েং চঙবীয়ু : আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা লৈবা লৌমীশিংদা চাথোক লৈবা মখলগী ফৌদিশিং য়েন্থোকখ্রে।

ফৌদিশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লৌমীশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক্তা হৌজিক লৌ উবগী মতম য়ৌরকপগা লোয়ননা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসিগী য়েংলগা চীফ মিনিষ্টর অমসুং এগ্রিকলচর মিনিষ্টরদা হায়জদুনা দিপার্টমেন্টনা পীবা চাথোক লৈবা অফবা ফৌদিশিং লৌমী খরদা লেম্না য়েন্থোক্লি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীবা অফবা মখলগী ফৌদিশিং অসি পাম্মী হায়না খঙহল্লকপা লৌমীশিংদা ফংহনবনি। ঙসিনা অনীরকশুবা তাঙ্কক ওইনা লৌমী ৪০দা ফৌদি অসি ফংহনখ্রে। মমাঙদসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশ কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম দিনেশ্বরগা পুন্না খুৎশম্নদুনা এ সী অসিগী লৌমীশিংদা চাথোক লৈবা ফৌদিশিং অসি ফংহনখিবসু লৈখ্রে। ফৌদিশিং অসি লৌরিবা লৌমীশিংনসু থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্কী শেল-থুমগী ফীভম ফৎত্রবসু লৈঙাক অসিনা লৌমী মীয়ামগী য়াইফননবা থৌরাং থৌশিল কয়া পায়খৎলি।

মহাক্না হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা হৌজিক এম এল এ লৈতদুনা নফসাগী বেনিফিসরিশিংনা মতম চানা আধার লিঙ্ক তৌহৌদবদগী চেঙগী চাকথুং নীংথিনা ফংবা ঙমদনা লৈরি। প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা পি এম জি কে ৱাইগী লেম্না পীরকপা চেঙগী চাকথুংনা নীংথিনা ফংই নৎত্রগা ফংদে হায়বগী ৱাকৎ কয়া মীয়ামদগী লাক্লিবা অসিদা চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। এ সী অসিগী মীয়ামদা নফসা অমসুং পি এম জি কে ৱাইগী চেঙ নীংথিনা ফংহন্ননবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হৌজিক কার্দকী মতাংদসু চরাংনবা কয়া থোক্লি। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা আধার লিঙ্ক তৌহৌদবদগী য়াল্লবা চেঙ ক্বিন্টন ৫৭৫ রোমসু ককখ্রে। এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা ফায়র প্রাইস সোপকী এজেন্ট কয়া খল্লিবা অসিসু পরম চুম্না ঐগী মাগী হায়বা খায়দনা মতিক চাবা এজেন্টশিং খনবীয়ু। এজেন্টশিংনসু চৎন-কাঙলোন ঙাক্না থবক তৌবীয়ু। চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবশিং লৌথোক্লনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জগনি। পি এম জি কে ৱাইগীনি হায়নিংদবা মওংদা মফম খরদা চেঙ য়েল্লি হায়বা তাই। মসিসু তৌবীগনু। চেঙ য়েনবা মতমদা নফসাগীনি নৎত্রগা পি এম জি কে ৱাইগীনি হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ফৌদি য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট মুতুম দিনেশ্বরসু শরুক য়াখি। অমরোমদা, এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা পিটস্বরা ইংলিস স্কুলদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টরদা ঙরাং নুমীদাংগী চাক্লেন অমসু তেংবাঙখ্রে।

‘কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দোরকপা থিংবদা এস ও পি শোয়দনা ঙাকমিন্নবা মথৌ তারি’

ককচিং, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯) মণিপুরদা অহানবা ৱেভতগী অনীশুবা ৱেভ অসিদনা হেন্না শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ পাক শন্না শন্দোরকপা থিংবদা মীয়াম্না এস ও পি শোয়দনা ঙাকমিন্নবা মথৌ তারি হায়না সেনা য়ুথস ট্রষ্ট (এস ৱাই টি)গী সেক্রেটরি গ্যানন্দ নাওরেমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা চথরিবা কর্ফিয়ুগী চৈথেং নংলিবা অমসুং কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়গী ইমুংশিংদা সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায় অমসুং সেনা য়ুথস ট্রষ্ট (এস ৱাই টি) অনীনা পুকচেল চাউরবা মীয়াম্না পীরকপা তেংবাঙশিংগা লোয়ননা চান-থক্লবা অমসুং শেলগী তেংবাঙ পীবগী থৌরমদা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

গ্যানন্দ নাওরেমনা মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক্লা কোরোনা ভাইরস শন্দোরকপদগী থিংনবা লৌখৎপা খোঙথাংগী মনুং চন্না ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদসু কর্ফিয়ু মতম শাংনা চথরকপনা নোংমগী থবক শুরগা ইমুং পুজরিবা মীওই কয়াগী ইমুংশিংদা চান-থক্লবা লৈরক্তবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। অসিগুম্বা চিরবা মতম অসিদা এস এ ওনা মপুং ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা এস ৱাই টিগী তেংবাঙগা লোয়ননা লৈকায় অসিদা খরা হেন্না খুদোংচাদ্রবা ইমুংশিং অমসুং য়ুমথোঙ খূদিংগী ওইনা চেঙ, হৱাই, অচাথাউ, আলু অমসুং থুম অসি লেম্না য়েন্থোকচবনি। খরা হেন্না খুদোংচাদ্রবা ইমুংশিংদা চাকথুং খরা হেন্না পীজবনি। মসিগীসু মথক্তা লৈকায় অসিদগী ককচিংগী অতোপ্পা লৈকায়দা য়ুম হোংদোক্তুনা লৈখ্রবা ইমুংশিংদসু তেংবাঙ অসি য়েন্থোকখি।

কোভিদকী অহানবা ৱেভ অমসুং অনীশুবা ৱেভ অসিনা লৈখিদ্রবা লৈকায় অসিগী মীওই ৬কী অৱাবা নংলবা ইমুং-মনুংশিংদসু শেল ওইনা লুপা লিশিং ২/২ অমসুং লাইবক থীবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা শোক্লবা লৈরিবা মীওই ২গী ইমুংদসু লুপা লিশিং ১/১ গী তেংবাঙ ওইনা পীখিবনি।

মখা তারকপদা লৈকায় অসিদা লাইবক থিবদগী কোভিদ-১৯না মীশি-মীনা মখা তানা থোকহন্দনবা এস এ ও অমদি এস ৱাই টিনা মীয়ামগা লোয়ননা কন্না হোৎনমিন্নগনি, করিগুম্বা লাইবক থীদুনা লৈখিদবা য়াওরক্লবসু শেলগী তেংবাঙ অসি মখা তানা পীনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী তেংবাঙ য়েন্থোকপা অদুগী মাঙওইননা লৈকায় অসিদগী কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওই ৬কী থৱায়না তাইবং মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি।

তেংবাঙ য়েন্থোকপা অসিদা চাউরবা শেলগী অমদি পোৎচৈগী অমসুং পাঙ্গলগী মতেং পীবীরকখিবা খূদিংমকপুসু এস এ ও অমদি এস ৱাই টিগী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোরকখি।

পুলিসনা মীওই ১৬২ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী লাইচৎ মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথবদা ফাগৎলগা ফাইন থিহনবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

ঙসিসু মণিপুর লৈঙাক অমদি ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা লাউথোকখিবগী মায়োক্তা য়ুমদগী থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা, মীয়াম তীনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা, মীয়াম তীনফমদা লোক-তীল অমদি কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়দুনা থোরকপা য়াওনা পুন্না মীওই ১৬২ রোম পুলিসনা ফাগৎতুনা দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা ফাইন ওইনা লুপা ৪৯,৪৫০ খোমগৎখি হায়রি। ঙসি পুলিসনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দ্রাইভ চথবদা ফাগৎতুনা ফাইন থিহনখিবা মীওই ১৬২ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ৩২, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১৫, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৫৬, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৯, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৪৯ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১ য়াওনা দিটেন তৌখি হায়রি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুর পুলিসনা ফাইন ওইনা লুপা ক্রোর ২.৩৪ রোম খোমগৎখ্রে হায়রি।

ফ্লাইট ৮দা মীওই ৭৩৮ ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ৱাংমা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৭৩৮ রোম ঙসি ফ্লাইট ৮দা পুদুনা ঙসি ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৪ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.১০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ-৩৫৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৩ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৩৭ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ৯আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরনচিংবদা পল্লম্বা মীওই ১৪ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক পুং ১০.৫০ তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১১৫ পুদুনা ইম্ফালদা পুরকখি।

নুংথিল পুং ১.২০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৪৪ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৫৮৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ৬৩ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.১৯ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২৬১৫ ফ্লাইট অসিনা দেল্লীদা পল্লম্বা মীওই ১০৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ ঈ-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৫০ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। লোয়ননা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট ৮ অসিনা ইম্ফালদগী হনখিবা মতমদা পেসেঞ্জর ৬৮২ রোম পুদুনা গুৱাহাতি, কোলকাটা, দিমাপুর, দেল্লীনচিংবদা পুখি হায়রি।

এ আরনা লুপা লাখ ৫৭ লোমগী হিরোইনগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মোরেদা লৈবা অসাম রাইফলস অমদি নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোগী অপূনবা টিম অমনা ঙসি মোরেগী চেক পোষ্ট মিসন ভেংদা মোটোর সাইকল অমদা লাকপা মীওই অনী খামদুনা চেক তৌবদা লুপা লাখ ৫৭ লোমগী হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না অসাম রাইফলস অমদি নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরোগী কম্বাইন্দ টিম অদুনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী মোরেগী চেক পোষ্ট মিসন ভেং ময়াদা লৈরিঙৈদা মোটোর সাইকল অমদা মীওই অনী চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকপা উবদগী খাল্লগা চেক তৌখি। মদুদা মখোয়দগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক হিরোইন পাউদর গ্রাম ২৬০গা কোন্ননা ফাগৎখি। মদুগী ভেল্যুনা লুপা লাখ ৫৭ লোম ওইগনি হায়রি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদু মখা তাবা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা এন সী বিনা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

থাউগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট মীফমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): লৈবাক পুম্বদা থাউগী মমল হেগৎলকপগী মায়োক্তা চথবা প্রোটেষ্ট থাখায়গী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম মঙাদা সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি অমসুং এ আই এফ বিগী কাদরশিংনা পুন্না প্রোটেষ্ট মীফমশিং পাঙথোকখ্রে। প্রোটেষ্ট মীফমশিং অদু ওইনাম, বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর-৭ মিনি বজার, মোইরাং অমসুং কুম্বীদনি হায়না লেফ্ট পার্টিজ কোওর্দিনেসন কম্মিটি, মণিপুরগী কমভিনির ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীফমশিং অদুদা সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা চথরিবা থৌওং অসিদি মল্টি নেসনল কোর্পোরেট হাউসশিংদা খুদোংচাবা পীবা অদুগা লায়রবশিংদা চৈথেং পীবনি। থৌওং অসিগী মায়োক্তা লেফ্ট পার্টিশিংনা চপ চানা থেংনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

সী পি আই-এম মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অসিগী ফীভম অসিদা এন দি এ লৈঙাক অসি মীয়ামগী খন্দবা কোর্পোরেট হাউসশিংদা খুদোংচাবা পীবা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক্নি হায়না লৌই। লেফ্ট পার্টিশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শৌগৎপীরবদি মীয়াম্না থেংনরিবা থাউ অমসুং তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎপগী অৱাবা অসি কোকহনবা মতেং ওইগনি হায়রি।

কার এক্সিদেন্টতা নুপা ১ শিরে, টিপ্পরনা ননবদা ২ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা নেসনল হায়ৱে-৩৭কী অৱাং খুনৌদা হিগোক মচুগী স্বিফ্ট দিজিয়র কার (এম এন ০৬ এল এ/১৭৮২) অমা খুম্বোংলোমদগী ইম্ফাল তম্না থৌরকপদা লম্বীগী নাকলদা হৌবা উ পাম্বীদা য়েশিন্দুনা কার অদুবু থৌরকপা নুপা অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং নোংথোম্বম জিতেন (৪৮), অপোকপা এন শ্যামো কৌই। মহাক উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগীনি হায়রি। লৈখিদ্রবা হকচাং অদু মফম অদুদা পাৎশোই পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অশিবা হকচাং অদু লৌখৎলগা রিমসকী মোর্গতা পুরক্তুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা হোন্দা এক্টিভা তোংদুনা লাকপা মতৈ-মনাও অনী সিটি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাহেংবম লৈকায়গী লম্বী ক্রোসিং লাম্থোরকপদা টাটা টিপ্পর অমনা থৈদোক্লবা হোৎনবদা তুবদগী ননবদা মতৈ-মনাও ফীভম থিনা শোকপদগী রিমস অমদি শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। খুদোংথিবা নংলবা মতৈ-মনাও অনী অদুদি উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগী ইরেংবম গীত্তরঞ্জন (৫০) অমদি মহাক্কী লোয়নবী ইরেংবম ওংবী মনিহলবী (৪৬) নি। থৌদোক অদু গাড়ী অদু থৌরকপা মতৈ-মনাও অদুনা ৱাহেংবম লৈকায়গী লম্বী ক্রোস তৌনবা হোৎনবদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকপা টাটা টিপ্পর অদুনা থৈদোক্লবা হোৎনবদা টিপ্পর অদু তুবদগী ননদুনা লৈখি। খুদক্তা পুলিস অমদি মীয়াম চঙশিন্দুনা এস্কাভেটরনা টাটা টিপ্পর অদু চিংখৎলগা মখাদা লৈরিবা মতৈ-মনাও অনী অদু শৎলগা রিমস হোস্পিটালদা হান্না পুখৎখি। তুংদা মখা তানা লায়েংনবা শিজ হোস্পিটালদা অমুক পুদুনা লায়কন্নখি হায়রি।

মতৈ-মনাও অসি উরিপোক্তা লৈবা মালেম মহাও কৌবা ফিশ ফার্ম অমদা ঙাগী দেলিভরি সর্ভিস তৌদুনা লৈবনি হায়রি।

য়ুম অমা মৈনা চাকখ্রে, কনবা চঙলুবা মীওই এটেক তৌনবা হোৎনরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বাশিখোং কোংবা ইরোংদা লৈবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরবা নুপা অমনা মশাগী ময়ুম মৈ থারম্বদগী লৈকায়গী মীওইশিংনা মৈ কন্নবা চঙলুবদা মহাক্না থাঙ-তেন পায়রগা চঙলক্তনবা হোৎনখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা নুপা অদুগী মমিংনা নিঙোম্বম সুরজিৎ এলিয়স নাওবা (৪১), অপোকপা এন কুঞ্জো কৌই। মৈ চাকপা হৌরকপদা লৈকায়গী মীওইশিংনা মৈ কন্নবা চঙলুবদা মহাক্না থাঙ-তেন পায়দুনা মী চঙলক্তনবা হোৎনখি। তুংদা ফায়র বৃগেদ অমদি মীয়াম চঙলগা য়ুম অদু কন্নবা হোৎনখি। অদুবু য়ুম অদুগী অয়াম্বা শরুক মৈনা তুম্না চাকখ্রে। মহাক মশামকসু ঙরাং নুমীদাংৱাইরম ইরিলবুং পুলিসনা লাক্লগা ফাগৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুদা অৱাবা নংলবা ইমুংগী মীওইশিংদা ঙসি থোংজু এ সীদা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা নৌনা মীরেপ ওইনা চোংথোক্কদৌরিবা সোসল ৱর্কর সেরাম নিকেন মশামক লাক্তুনা শেলগী মতেং পাংলম্বগা লোয়ননা লৈকায়গী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা য়ুম শাবা মতমদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা এম আই, ৱাটর রিছোর্সেস অমসুং কাদাগা তান্নরগা থবক পায়খৎলগনি : লুখোই

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): ঈশিং নীংথিনা ফংদবা অমদি ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংদবা লৌফমশিংদা ঈশিং ফংহন্দুনা লৌউ-শিংউগী থবক হৌবা য়াননবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা মসিগা মরী লৈনবা মাইনর ইরিগেসন, ৱাটর রিছোর্সেস অমদি কাদানচিংবা দিপার্টমেন্টশিংগা পুন্না চীফ মিনিষ্টরগী লেভেলদা তান্নরগা থবক পায়খৎলগনি হায়না এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোইনা ফোঙদোকখ্রে।

পোরোম্পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, ইম্ফাল ইষ্টকী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা ষ্টেট সোইল টেষ্টিং লেবোরেটরি ওফিসকী মমাঙদা ঙসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা সোইল টেষ্টিং তৌরবা মতুংদা সোইল হেল্থ মেনেজমেন্ট স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংদা প্লান্ট মাইক্রোন্যুত্রেন্টশিং লেম্না য়েন্থোকপা হৌরদুনা মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী সোইল হেল্থ মেনেজ মেন্ট স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংনা ফৌথোক হেন্না পুথোক্লবগীদমক লৈবাক লৈহাও ফহুন্ননবা হোৎনবদা মথৌ তাবা মাইক্রোন্যুত্রেন্টশিং অসি লেম্না পীবনি। লৌমীশিংনসু দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংদগী মাইক্রোন্যুত্রেন্টশিং অসি লৌদুনা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবীয়ু। দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংনসু থৱায় য়াওবা লৌমীশিংদা নীংথিনা ফংহনবীয়ু।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী ফেমিলি ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না দিপার্টমেন্ট অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙবা অমদা দিরেক্টর ওইহনগদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতম খরা তৌবীদনবা হায়বদা তাবীদুনা লৈঙাক্তা মতেং পাংবীবগীদমক ইমপ্লোয়ী এসোসিএসনবুসু থাগৎলি। লোয়ননা ইমপ্লোয়ীশিংনা নোংমগী খুৎশুমল সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌরকপগীদমকসু থাগৎলি। ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাদবা লৌফমশিংদা ঈশিং ফংহন্দুনা লৌ উবা য়াননবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু লৈঙাক্লা য়েংশিল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী), পাৎশোই পার্ট থ্রীগী হান্না সিনিয়র মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা মতম শাংনা সিনিয়র এদভাইজরগী থৌ পুবীরম্বা মুতুম বিরেন (রিটয়র্দ প্রিন্সিপাল প্রাইভেট সেক্রেটরি, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী সেক্রেটরিয়েট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর)না হৌখিবা জুন ২৩দা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না পি টি সী সী পাৎশোই পার্ট থ্রীগী জেনরেল সেক্রেটরি মুতুম সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন অমদি শান্ন-খোৎনবগী লম কয়াদা অঙম্বা মতেং পাংবীরম্বা অমদি পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চ্যুরি ক্লব (পি টি সী সী), পাৎশোই পার্ট থ্রীনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াবীরম্বা মহাক্না লৈখিদবদা ক্লব অসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অহাংবা অমদি লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ শেম্বা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈখিবা ওইরসনু। লোয়ননা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু পাৎশোই তুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী), পাৎশোই পার্ট থ্রীনা শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মাস ভেক্সিনেসন চথরিবসি মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবনি : দিঙ্গো

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওফ কোভিদ-১৯গী কো-কনভিনর এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা সেকমাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা কংলাতোংবী হিন্দী সেকেন্দরি স্কুলদা চৎতুনা ঙরাংদগী হৌনা চথরকপা মোবাইল ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অদু হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম এল এ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা মণিপুর খুঙ্গং শীনবা থুংনা চৎতুনা ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অসি লৈঙাক্লা পোলিটিকেল মাইলেজ লৌনবা নৎত্রগা লৈঙাক্লা কান্নবা নত্তে। মাস ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চথরিবা অসি লায়না-লাইচৎ অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্নবনি। মরমদি ভেক্সিন কাপথোক্ত্রবদি কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ লাক্কনি হায়নরিবা অসিদগী ঙাকথোকপদসু অৱাবা ওইগদৌরিবনি। লোয়ননা করিগুম্বা ভেক্সিন অসি কাপথোকহৌদনা তুংদা থর্দ ৱেভ অসিদা খুদোংথিবা নংলবদি ঐ ভেক্সিন কাপ্পল্লবদি ফরমগনি হায়না নিংঙমদবা শোয়দনা পোল্লক্কনি। মরম অদুনা ঙসিগী অসিগুম্বা খুদোংচাবা অসিদা থোক্লক্তুনা শরুক য়াবীয়ু।

এম এল এনা মখা তানা হায়, ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি সী এস ওশিংনা য়ারগদি মাগী মাগী খুঙ্গং অমদি লৈকায়গী মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপ্পবা এৱ্যেরনেস পাঙথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌখি। ঙসি নীনি চনবা অসিদা মোবাইল মাস ভেক্সিনেসন তৌবা মীওই ১০০০ ভেক্সিন কাপখি।

ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিকিংগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচ এন এস): মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না শীন্দুনা পুরৈরোম্বা খোংনাংমখোংদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা স্যের ফেক্টস ওন দ্রগস, সেভ লাইভ হায়বা থীমদা ঙরাং ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিকিংগী থৌরম কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সোরোখাইবম ওজিৎ অমসুং কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খি, চহী খূদিংগী ওইনা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অমদি লোনা য়াদ্রবা মওংদা লল্লোনবগী মায়োক্তা লেপ্পা নুমীৎ থৌরম ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইলিসিট ট্রাফিকিংদি লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। অদুবু লমদম অসিদা মায়োক্লরিবা দ্রগকী প্রোব্লেমদি হন্থবগী ফীভম উদে। মণিপুর লৈঙাক্লা দ্রগ থিংনবনি হায়দুনা তোঙান তোঙানবা কেম্পেন অমসুং প্রোগ্রাম লাউথোক্লবসু মপুং ফানা চৎনহন্দবনা মমিংতগী ওইনা লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।